# ৱেষ্ট বেঙ্গল ইলেক্ট্রিসিটি দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনিদা রেন্সমৱ্যের সাইবর এটেক চথরকখ্রে



কোলকাটা, মে ১৫ (এজেন্সী):

ৱেষ্ট বেঙ্গল ষ্টেট ইলেক্ট্রিসিটি দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি (দব্লিয়ু বি এস ঈ দি সী)গী ৱেষ্ট মিদনাপুরদা লৈবা লোকেসন মরিগী তোঙান তোঙানবা কম্প্যুটরশিংদা ৱান্নাক্রাই রেন্সমৱ্যের সাইবর এটেক চথরকখ্রে।

রেন্সমৱ্যেরনা নেটৱার্ক অমগী কম্প্যুটর সিষ্টেম কয়ামরুম খুদোংথিবা থোকহনবা ঙম্বা মরম্না কম্পনি অসিগী অতৈ অতোপ্পা কম্প্যুটর কয়ামরুমগী মথৌদা অপনবা থোকহনবা য়ানা লৈরে।

রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, দব্লিয়ু বি এস ঈ দি সীগী মিদনাপুর দিষ্ট্রিক্তা লৈবা ব্লোক মরি-বেলদা, দটান, নরায়নগর অমদি কেসিয়ারিগী পার্সনেল কম্প্যুটর কয়ামরুম ভাইরসনা ইনফেক্ট তৌরম্বা থেংনরে।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৫০ রোমগী কম্প্যুটর লাখ ১ রোম হেনবদা অপনবা থোকহনখ্রবা ৱান্নাক্রাই হায়না খঙনবা ভাইরস অসিনা ইন্দিয়া য়ৌশিল্লক্লবা মরম্না লৈবাক অসিগী মরুওইবা কম্পনি কয়াগী থবক থৌরমদা অপনবা পীরকপা য়ানা লৈরে। সেকেন্দ খরগী মনুংদা কম্প্যুটরগী দেটা কয়ামরুম লোক তৌশিনবা ঙম্বা ভাইরস অসিগী মতেং লৌরগা সাইবর ক্রাইম এটেক চথবা মীওই কাঙলুপ অমনা ইন্দিয়াগী মরুওইবা কম্পনিশিংদা রেন্সম তাল্লকপা য়াই হায়রি।

ফিদেক্স, য়ুরোপিয়ন কার ফেক্টরি, স্পেনিস টেলিকোম জাইন টেলিফোনিকা, বৃটেনগী হেল্থ সার্বিস অমদি জর্মনিগী দোইটস বান রেল নেটৱার্কতা হন্দক্তা সাইবর এটেক চথুদুনা কম্প্যুটরগী মরুওইবা ফাইল পূম্নমক লোক তৌশিনবগী থৌদোক থোকখি। হায়রিবা ফাইলশিং অদু লোক হাংদোক্নবগীদমক য়াল্লবা শেনফম অমা পীরক্ল বা মরী লৈনবা কম্পনিশিংদা মেসেজ থাদুনা খঙহল্লকখি।

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ১৫০ দা লৈবা হোস্পিটাল, মরুওইবা কম্পনি অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফিসশিংদা সাইবর এটেক চথুদুনা অচৌবা শেনফম অমা তান্নবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি। মালেমগী লৈবাক ১৫০ গী তোঙান-তোঙানবা ফার্ম ৭৫,০০০ রোমদা চথরকখিবা থৌওং অদুনা পুৱারীদা খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মওংদা চথরকপা সাইবর এটেকনি।

সাইবর সিক্যুরিটি ফার্ম অভাষ্টকী ৱারোল পল্লদুনা সী এন এনগী রিপোর্টনা হায়, রসিয়া, য়ুক্রেন অমদি টাইৱানগী মরুওইবা কম্পনি কয়াদা সাইবর এটেক চথরকখি। অদুবু য়ুনাইটেদ কিংদমগী হোস্পিটাল, চাইনিজ য়ুনিভর্সিটি অমদি ফিদেক্স (এফ দি এক্স)নচিংবা গ্লোবেল ফার্ম খরদসু সাইবর এটেক চথরকখিবগী পাউ ফংখি। মালেমগী মফম কয়াদা পাক শন্না চথরক্লিবা থৌওং অসিগী মতাংদা ইন্টরনেসনল ইনভেষ্টিগেসন চথুবা মথৌ তাই হায়না য়ুরোপোলনা ফোঙদোকখি।

'ৱান্নাক্রাই' কৌবা রেন্সমৱ্যেরনা কম্প্যুটরগী ফাইলশিং লোক তৌখিবগা লোয়ননা শীজিন্নবা য়াহনখিদে। অমুক হন্না কম্প্যুটরশিং শীজিন্নবা য়ানবগীদমক শেল পীগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরকখি।

মালেমগী মমিং লৈরবা সিক্যুরিটি ফার্ম কেস্পরস্কাই লেবকী প্রিন্সিপাল সিক্যুরিটি রিছার্সচর কর্ট বোমগার্টনরনা ফোঙদোকখিবনি মদুদি, রেন্সমৱ্যেরনা মরুওইবা কম্পেনিশিংগী কম্প্যুটর লোক তৌরবা মতুংদা পুং ৬ কী মনুংদা শেল পীরক্লবা খঙহল্লকখি। হায়রিবা মতম অদুগী মনুংদা করিগুম্বা শেল পীদবা থোক্লবদি পুং খুদিংগী শেল হেনগৎনা দিমান্দ তৌরকই।

য়ুনাইটেদ কিংদমগী নেসনল হেল্থ সার্ভিস (এন ঐচ এস) ওর্গনাইজেসন ১৬ তা মতৌ অসুম্না সাইবর এটেক চথরকখিবা মরম্না হোস্পিটালশিংদা আউট পেসেন্ট দিপার্টমেন্ট মথৌ লেপখি। চাইনাদসু রেন্সমৱ্যেরনা কোলেজশিংগী কম্প্যুটর লোক তৌশিনখিবা মরম্না মহৈরোয়শিংদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্ল হনখি। কিনিংঙাই ওইরবা থৌওংশিং অসি ইন্দিয়াদসু চথবা হৌরক্লে।

# রাজনাথনা নেসনল প্লেটফোর্ম ওন দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সনগী ২শুবা মীফম হৌদোকখ্রে

## 'অমাঙ-অতা থোরক্ত্রিঙৈদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌগদবনি'




ন্যু দিল্লি, মে ১৫ (এজেন্সী) : য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি নেসনল প্লেটফোর্ম ফোর দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন (এন পি দি আর আর)গী নুমিৎ নীনি চথুগদবা মীফম হৌদোকখ্রে।

'দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন ফোর সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট : মেকিং ইন্দিয়া রিসাইলেন্ট বাই ২০৩০' হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা মীফমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি অমসুং আর্থ সাইন্সেস ডা. হর্স বর্ধন, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম কিরেন রিজিজু অমদি প্রাইম মিনিষ্টরগী এদিসনেল প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ডা. পি কে মিস্রাসু শরুক য়াখি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা লূচিংবা মল্টি ষ্টেকহোল্ডর নেসনল প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা এন পি দি আর আরনা লৈবাক্কী ফেদরেল পোলিসি মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী মতাংদা মরুওইবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা রাজনাথ সিংহনা হায়খি, মহৌশাগী ওইবা মাঙহন-তাকহনবা থৌদোক থোরকপা মতমদা কা হেন্না অমাঙ-অতা য়াওহন্দনবগীদমক মীয়াম পুন্না থবক পায়খৎমিন্নবা মথৌ তাই। ৱাফম অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা এন পি দি আর আর শেমখিবনি।

মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা ৱাফম পল্লদুনা হোম মিনিষ্টরনা হায়খি, শুপ্নগী লুপা ১খক থাদরগা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মতমদা লুপা ১০গী চাংদা কনবা ঙমগনি। সেন্দাই ফ্রেমৱার্ক সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল অমদি পেরিস এগ্রীমেন্ট ওন ক্লাইমেট চেঞ্জনচিংবা গ্লোবল এগ্রীমেন্টশিংগী মতাংদা মহাক্না ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

তোয়না খুদোংথিবা থোকনবা লৈবাকশিংদা রিস্ক হন্থহনবগা লোয়ননা দিজাষ্টর মেনেজ-মেন্ট প্লান এন্দ পোলিসি, আর্লি ৱার্নিং সিষ্টেম শেমগৎপা, সাইক্লোন সেল্টর শাবা, নেসনল অমদি ষ্টেটকী থাক্তা দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোসকী মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমদি হীরম অসিগী মতাংদা ট্রেনিং অমদি এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামনচিংবা থৌরাংশিং লৌখৎপগী মতাংদসু মিনিষ্টরনা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মহৌশাগী ওইবা মাঙহন-তাকহনবা থৌদোকশিংদা কা হেন্না অমাঙ-অতা থোকহন্দনবগীদমক সাউথ এসিয়ান কন্ত্রিশিংগী দেদিকেটেদ সেটলাইট থাগৎপা, এসিয়ান মিনিষ্টরিয়েল কনফরেন্স ওন দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন অমদি সার্ক দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট সেন্টর শেমগৎপা য়াওনা গভর্ণমেন্টনা মরুওইবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে।

# ট্রিপল টলাক চৎনহন্দবা তারবদি সেন্টরনা মুস্লিমশিংগী লুহোংবগা মরী লৈনবা অনৌবা লো অমা শেম্লগনি



ন্যু দিল্লি, মে ১৫ (এজেন্সী) : ট্রিপল টলাকপু অন-কন্সটিট্যুসনেল ওইবা মরম্না মখা তানা চৎনহল্লরোই হায়না লাউথোরকপা তারবদি গভর্ণমেন্টনা মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিং লুহোংবা অমসুং খাইনবগী মতাংদা অনৌবা লো অমা চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না এটোর্নি জেনরেলনা ফোঙদোকখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস জে এস খেহরনা লূচিংবা জজ মঙানা শাবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমদা এটোর্নি জেনরেল মুকুল রোহাতগিনা হায়খি, কোর্টনা করিগুম্বা টলাক হায়বা ৱাহৈ অসি অহুল্লক হায়রগা নুপা-নুপী খাইনবগী থৌওং চৎনবা য়ারোই হায়না ৱায়েল পীরক্লবদি অথুবা মতমদা সেন্টরনা মুস্লিম ফুরুপকী লো অমা শেম্নবা থৌরাং তৌরে।

চৎনবী অসি থিংখিবা থোক্লবদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন টকী মায়কৈদগী করি করম্বা থৌরাং লৌখৎকদগে হায়না হংখিবা কোর্টকী ৱাহং অমগী পাউখুমদা রোহাতগিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মমাঙদা জষ্টিস কুরিয়ন জোসেফ, জষ্টিস আর এফ নারিমা, জষ্টিস য়ু য়ু ললিত অমদি অব্দুল নাজির য়াওবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমনা হায়খিবনি মদুদি, মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিংনা চৎনরিবা পোলিগেমি অমদি নিকাহ হল্লালাগী মতাংদা অনৌবা ৱায়েল অমা চথরগনি।

সিনিয়ার কোংগ্রেস লীদর অমদি হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সলমান খুর্সিদপু ট্রিপল টলাক্কী মতাংদা এমিকস ক্যুরে ওইনা মতেং পাংহন্নবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীখিবনি।

চীফ জষ্টিস জে এস খেহর, জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদ অমদি জষ্টিস এস কে পোলগী বেঞ্চনা খুর্সিদপু কেস অসিগী মতাংদা অইবা ৱারোল পীশিন্নবগী অয়াবা পীখি। ট্রিপল টলাক, নিকাহ হল্লালা অমদি পোলিগেমিগী মতাংদা জজ মঙানা শাবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমনা মে ১১দগী হিয়ারিং চথনবা থৌরাং তৌরি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা নুপী কয়ানা ট্রিপল টলাক্কী চৎনবী মুখৎকদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন ফাইল তৌরকখি। মমাঙদা চথখিবা হিয়ারিং অমদা সেন টরনা ট্রিপল টলাক, নিকাহ হল্লালা অমদি পোলিগেমিনা মুস্লিম নুপীশিংগী রাইট খোঙ্গাউনরে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

পনবা য়াবদি, মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিংনা ট্রিপল টলাক্কী মতাংদা পোলিটিক্স তৌরোইদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা আপিল তৌবা লৈখ্রে।

# চীফ মিনিষ্টর অদিত্যনাথ হেক হনখিবগা লৈখিদ্রবা জৱানগী ময়ুমদা থাবা সোফা, এ সী লৌথোকখ্রে



লখনৌ, মে ১৫ (এজেন্সী) :

লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা লান্মী অমগী মফমদা গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংনা ঈকায় পীবগী থৌওং অমা ওইনা লৈখিদ্রবা বি এস এফকী হেদ কন্সটেবল প্রেম সাগরগী ময়ুমদা চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎকা মরী লৈননা থাবা সোফা, কার্পেট অমদি এয়র কন্দিসনরনচিংবা পূম্নমক চীফ মিনিষ্টর হেক হনখিবগা লৌথোকখ্রে।

ইন্দিয়ান এক্সপ্রেসতা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমনা হায়, চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা হনখ্রবা মতুং ঙাইহাক লৈরগা বি এস এফকী জৱান প্রেম সাগরগী ময়ুমদা গভর্ণমেন্টনা খিল্লম্বা এয়র কন্দিসনর, সোফা, কার্পেট, পর্দা অমদি টেবল ফিদানচিংবা পূম্নমক লোইনা লৌথোকখিবনি।

লৈখিদ্রবা বি এস এফকী জৱান অদুবু ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা উত্তর প্রদেশকী দিওরা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা টিকম্পর খুঙ্গংদা চীফ মিনিষ্টর লাক্কনি হায়বা পাউ ফংবদগী গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংনা লৈখিদ্রবা জৱান অদুগী ময়ুমদা লৈতেংগী পোৎলম কয়া থমখিবনি। চীফ মিনিষ্টরনা পুঞ্জায় অমরোম মফম অদুদা লৈরম্লগা হনখ্রবা মতুংদা লৈতেংগী পোৎলম পূম্নমক লোইনা পুখিরমই।

মশাগী চহী ৪৫ শুরবা প্রেম সাগর য়াওনা ইন্দিয়াগী জৱান অনী হৌখিবা মে ১দা পাকিস্তানগী বোর্দর এক্সন টিমনা এটেক চথুদুনা হাৎলবা মতুংদা হকচাংগী শরুকশিং মকক মকক ককথৎলমখিবনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্তা পাকিস্তানি আর্মিনা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) মনাক নক্লা ২২শুবা শিখ রেজিমেন্টকী নাইক সুবেদার পরমজিৎ সিংহ অমসুং ২০০শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফকী হেদ কন্সটেবল প্রেম সাগরবু মঙক কক্তুনা হাৎখিবনি। পাকিস্তান আর্মিগী মকোক জেনরেল কমর জবেদ বজৱানা এল ও সী মনাক্কী মফম খরা য়েংশিল্লবা মতুংদা কাশ্মীরিশিংগী মতেং পাংগনি হায়না ৱাশকখ্রবা মতুংদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। ইন্দিয়ান আর্মিনা হীরম অসিগী মতাংদা চপ চানা লমন খুমগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

কৃষ্ণ ঘাতি সেক্টরদা পাকিস্তানি লান্মীশিংনা মোর্টার সেল কয়ামরুম কাপশিল্লকখিবগা ইরোয়ননা স্পেসল ফোর্সেস য়াওবা পাকিস্তানগী বোর্দর এক্সন টিম (বি এ টি)না ইন্দিয়ারোমদা ঙমখৈ লানশিল্লক্লগা এটেক চথরকখিবনি।

লৈখিদ্রবা ইন্দিয়ান আর্মিগী জৱান অমসুং বি এস এফকী হেদ কন্সটেবল অদু হকচাংগী শরুক খরা থাঙনা ককথৎলম্বা থেংনখিবনি। আর্মিগী সিনিয়ার ওফিসার অমনদি লৈখিদ্রবা মীওই অনীমক মঙক ককথৎলমই হায়না ফোঙদোকখি।

অরোনবা মওংদা চথরকখিবা পাকিস্তানি আর্মিগী এটেক অদুদা রাজিন্দর সিংহ কৌবা বি এস এফকী কন্সটেবল অমসু অশোক-অপন নংখি। অদুবু মহাক্কী ফীভম থোইদোক্লা খুদোং থিনিংঙাই ওইদ্রে।

বি এ টিগী অখন্নবা টিম অমনা ইন্দিয়ান আর্মিগী পেট্রোল পার্টি অমদা এম্বুশ তৌরকখ্রবা মতুংদা পাকিস্তান আর্মিনা ফোরৱার্দ দিফেন্স লাইন (এফ দি এল)দা মোর্টার অমদি রোকেট শীজিন্নদুনা এটেক চথরকখি।

# মিনিষ্টর অনী হাপচিন্দুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মিনিষ্ট্রি চাউথোকহনখ্রে

কোলকাটা, মে ১৫ (এজেন্সী) :

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মমতা বেনর্জিনা লূচিংবা মিনিষ্ট্রি চাউথোকহনখিবগা লোয়ননা অনৌবা মিনিষ্টর অনী হাপচিনখ্রে।

নৌনা মিনিষ্টর ওইরকখ্রবা উজৱাল বিস্বাস অমদি চন্দ্রিমা ভতচারিয়াবু রাজ ভবন্দা গভর্নর কেসরি নাথ ত্রিপতিনা থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

ৱাশক লৌরবা মতুংদা বেনর্জিগী মখোঙ শোক্তুনা খুরুমখিবা বিস্বাসতা কেবিনেট মিনিষ্টরগী ফম পীগদৌরি। মহাক্না করেক্সনেল এদমিনিষ্ট্রেসনগী থৌ পুরবা য়াই হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরদা খুরুমখিবা ভতচারিয়াসু ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ পুবা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইহনখি। মহাক্না ঈ গভর্নান্স অমদি হেল্থকী মিনিষ্টর ওইরগনি হায়রি।

ৱাশক লৌবগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি, ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লিগী স্পিকর বিমন বেনর্জি, তোঙান তোঙানবা কেবিনেটকী মেম্বরশিং, ব্যুরোক্রেটশিং, কোলকাটা পুলিসকী কম্মিস্নার অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস য়াওনা শক্লাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

কুমজা ২০১১দগী কুমজা ২০১৬ ফাওবা পানখিবা মমতা বেনর্জিগী গভর্ণমেন্টতা বিস্বাসনা টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগী মিনিষ্টর ওইখি। অদুবু মমাঙ চহীদা বেনর্জিনা অমুক হন্না চীফ মিনিষ্টর ওইরক্লবা মতমদা বিস্বাসপু ফম অমত্তা পায়হনখিদে। ভতচারিয়া হাপচিনখিবগা লোয়ননা মেম্বর ৪৪ লৈবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মিনিষ্ট্রিদা পুন্না নুপী মঙা শুরে।

ৱাশক লৌবগী থৌরম লোইরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা হায়খি, চন্দ্রিমা ভতচারিয়ানা হেল্থ অমসুং ঈ গভর্নান্সকী চার্জ পুবগা লোয়ননা উজৱাল বিস্বাসনা জেল (করেক্সনেল এদমিনিষ্ট্রেসন) দিপার্টমেন্ট পায়হল্লগনি।

# ইন্দিয়ানা আই সী জেদা কুলভুষণ যাদবকী দেথ সেন্টেন্স কোকপীনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ১৫ (এজেন্সী) :

পাকিস্তানবু ভিয়েনা কনভেন্সন ঙাক্লা চৎত্রে হায়না মরাল শীরদুনা ইন্দিয়ানা হায়খ্রে মদুদি, কুলভুষণ যাদবকী মথক্তা পীখিবা শিবগী চৈরাক অদু খুদক্তা হন্দোক্কদবনি।

ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিস (আই সী জে)না যাদবকী কেস হিয়ারিং চথবা হৌরকপদা ইন্দিয়ানা হায়খি মদুদি, পাকিস্তান্না হ্যুমেন রাইটসকী মায়োক্তা লৌখৎলিবা থৌরাং অসি খুদক্তা অথিংবা পীফম থোকই। মশাগী চহী ৪৬ শুরবা যাদবদা কোন্স্যুলর এসেস পীবিনবা কয়ারক হন্না হায়জবদা পাকিস্তান্না অয়াবা পীখিদে। যাদবগী পূন্সি খুদোংথিনিংঙাই ওইরকপদগী ইন্দিয়ানা আই সী জেগী মীৎয়েং চিংশিন্নবা হোৎনরকপনি।

ইন্টরনেসনল কোর্টকী ৱায়েল পীরক্ত্রিঙৈদা পাকিস্তান্না যাদবপু শিবগী চৈরাক পীখিবা য়াই হায়না এটোর্নি হরিজ সালবেনা ফোঙদোকখি। ইস্লামবাদনা অচুম্বা ৱায়েল চথবগী মওং উবা ফংদবা মরম্না ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিসকী ৱায়েল পীরক্ত্রিঙৈদা পাকিস্তান্না যাদবপু শোয়দনা শিবগী চৈরাক পীদুনা হাৎখিবা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈ।

ইন্দিয়ান ওফিসল দিপক মিতালনা কোর্টতা হায়খি মদুদি, পাকিস্তানগী মিলিটরি কোর্টনা যাদবকী মথক্তা চথখিবা ট্রাইয়েল অদু চৎনবা য়ারোই।

পাকিস্তানগী মিলিটরি কোর্ট অমনা ইন্দিয়াগী নেভি ওফিসার কুলভুষণ যাদবকী মথক্তা পীখিবা শিবগী চৈরাক অদু ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিস (আই সী জে)না মে ১০দা ষ্টে তৌখিবনি। ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগী ফিল্ড জেনরেল কোর্ট মার্সলগী মায়োক্তা আপিল তৌখ্রবা মতুংদা ফেগতা বেজ তৌবা আই সী জেনা যাদব শিবগী চৈরাক পীদনবা খঙহল্লকখিবনি। আই সী জেদা ফাইল তৌখিবা আপিল পিটিসন্দা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু ভিয়েনা কনভেন্সন ঙাক্লা চৎত্রে হায়না মরাল শীখি।

ইন্দিয়ান নেভিদগী পোত্থারবা যাদবনা লল্লোন-ইতিক্কী থবক থৌরমগা মরী লৈননা ইরানদা লৈরিঙৈদা পাকিস্তানি ইন্টলিজেন্স এজেন্সীনা মহাকপু ফাখিবনি হায়নসু ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখি।

ইস্লামবাদতা ইন্দিয়ান হায় কম্মিস্নার ওইনা লৈরিবা গৌতম বম্বাৱালেনা পাকিস্তানগী ফোরেন সেক্রেটরি তেহমিনা জামজুৱা উনদুনা কুলভুষণ যাদবকী মথক্তা শিবগী চৈরাক পীনবা ৱায়েল পীখিবগী থৌওং অদু হন্দোকপীনবা হায়জবা লৈখ্রে। পাকিস্তান্দা আপিল তৌবা চেরোল অমা পীশিনবা লৈখ্রবনি।

# মোদিনা নর্মদা রিভর কঞ্জার্ভেস প্লান মায়খুম হাংদোকখ্রে

অমরকন্তক, মে ১৫ (এজেন্সী) :

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নর্মদা তুরেলগী শক্তম কায়হন্দনা থম্নবগী থৌরাং অমা মায়খুম হাংদোকখিবগা লোয়ননা হায়খ্রে মদুদি, হায়রিবা থৌরাংসি অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু পায়কৎহন্নবা হোৎনগদবনি।

মধ্য প্রদেশকী অমরকন্তকতা ঙসি নুংথিল থুংলখিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা নমামি দেবী নর্মদে সেবা যাত্রদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা তিনখিবা মীয়ামদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়াদা লৈরিবা তুরেলশিংগী ফীভম নীংবা কায়নিংঙাই ওইরে। তুরেল অয়াম্বা মেপতা য়াওজরবসু ঈশিং অমত্তা চেন্দবগী ফীভমদা লৈরে। শিবরাজ সিংহ চৌহানগী গভর্ণমেন্টনা তুরেলগী ফীভম কন্নবগী মতাংদা লৌখৎপা থৌরাংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মোদিনা হায়খি, তুংগী মীরোলগীদমক খন্দুনা তুরেলশিংগী শক্তম কায়হন্দনবা হোৎনগদবনি। পায়খৎকদৌরিবা থৌরাং অসি অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু মতৌ তমহনগদবনি।

লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

**(অঙৌবা পকপা)**
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থৎককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্চবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্চবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্চবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3851/6/05-04/06

# রোহতক্কী থৌদোক মতুংদা সিক্কিমগী নুপী ১ গুরুগ্রামদা অচেনবা কার মনুংদা গেং রেপ তৌরগা হুন্দোক্লম্লে



গুরুগ্রাম, মে ১৫ (এজেন্সী) :

হরিয়ানাগী রোহতক্তা নুপী অমা তমথিবা মওংদা গেং রেপ তৌবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা নুপী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম অমসু থোকখ্রে।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না সিক্কিমদগী লাকপী মশাগী চহী ২৬ শুরবী নুপী অমবু মীওই অহুম্না গুরুগ্রামগী সুখ্রালি ভীলেজ মনাক্তগী ফাদুনা পুখ্রগা অচেনবা কার মনুংদা ফল্লানখ্রে।

সেক্টর ১৭তা পেয়িং গেষ্ট ওইনা লৈবী ভীক্টিম অদু দিল্লিগী কোনোত প্লেসতা মমান্নবী অমা উনরুরগা হল্লক্ল বা মতুংদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। নুপী অদুনা ময়ুম মায়কৈ তম্না লাকপদা নুপা অহুম্না ফারগা কারদা হাপ্পুনা পুখি। কার অদু নজফগর তম্না থৌরগা অচেনবা কার মনুংদা নুপা অহুম অদুনা ফল্লানবগী থৌওং অদু চথুখিবনি হায়রি।

পুং ৩ লোম লৈরগা খুদোংথিবা নংলবী নুপী অদু নজফগর এরিয়াদা কারদগী ইন্থরল্লগা খোঙলৈ থুনা কার অদু থৌখিরমই। মরাইবক থীরবী নুপী অদুনা লম্বীদা লাকপা মীওইশিংগী মতেং লৌরগা দিল্লি পুলিসতা পাউ পীদুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱাকৎখি। গুরুগ্রাম পুলিসনা মীওই অহুমগী মথক্তা রেপ কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা মথৌ তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথুবা হৌখ্রে।

মমাঙ চয়োলদা হরিয়ানাগী রোহতক দিষ্ট্রিক্তা মীওই তরেৎনা নুপী অমা গেং রেপ তৌরবা মতুংদা হাৎপগী থৌদোক অমা লৈখ্রবনি। থৌদোক অদু হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মরাইবক থীখ্রবী নুপী অদুনা থবক মফমদা চৎপগী লম্বীদা থোকখিবনি।

রোহতক সিটিগী আই এম টি এরিয়াদা লৈবা লম্ফাং অমদা নুপী অদুগী অশিবা হকচাং থেংনরকখ্রবা মতুংদা মীয়াম্না থৌদোক অসি খঙনরকখিবনি হায়রি। পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্টতা নুপী অদু গেং রেপ তৌরবা মতুংদা ফিনুংগী হকচাংদা মচিন তুম্বা পোৎশক অমনা থিন্দুনা অশোক-অপন নংহল্লম্বগী খুদম ফংখি।

মীওই তরেৎনা ফল্লান্দুনা হাৎতোকপীখ্রবী নুপী অদু মশক খঙবা ঙমদনবগীদমক মমায় মমিৎ অমদি হকচাংগী শরুক অয়াম্বা ফীভম শোকহল্লম্বা থেংনখি। ফোরেন্সিক টিম্না লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী ভিসেরা সেম্পলদা দ্রগ য়াওরম্বগী খুদম থেংনখি হায়না অতোপ্পা মিদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

# রাম টেম্পল শানবা লুপা ক্রোর ১৫ কৎলগনি : বুকাল নৱাব

লখনৌ, মে ১৫ (এজেন্সী) :

সমাজৱাদি পার্টি এম এল সী বুকাল নৱাবনা অযোধ্যদা রাম টেম্পল শাবগী মতাংদা মরুওইবা ৱাফম অমা লাউথোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, অযোধ্যদা রাম টেম্পল শানবগীদমক লুপা ক্রোর ১৫ কৎনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরে। লখনৌদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা বুকাল নৱাবনা হায়খি, লৈঙাক্লা পীফম থোকপা লমগী কম্পেন্সেসন পীরক্লবা মতুংদা লুপা ক্রোর ১৫ রাম টেম্পল শাবদা হাপ্পবা ৱারেপ লৌরে। মতম কয়াগী মমাঙদগী মহাক্না অযোধ্যদা রাম টেম্পল শাবগী থৌরাং শৌগৎতুনা লাকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, অযোধ্যদা লোর্দ রাম পোকখিবা মরম্না মফম অসিমক্তদা রাম টেম্পল শাফম থোকই। অথুবা মতমদা বুকালনা লমগী কম্পেন্সেসন ওইনা গভর্ণমেন্টতগী লুপা ক্রোর ৩০ ফংলবা য়াই হায়না থাজনরি।

অমরোমদা, সুপ্রিম কোর্টনা বি জে পিগী লূচিংবা এল কে অদবানি, মুর্লি মনোহর জোসি অমসুং উমা ভারতিগী মথক্তা কন্সপিরেসীগী চার্জগা মরী লৈননা ৱায়েল চথনবা থৌরাং লৌখৎলিঙৈ চৈরক্তা বি জে পিগী এম পি ওইরম্বা রাম বিলাশ বেদান্তিনা বাব্রি মসজিদ থুগাইবদা মহাক মশামক য়াওখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কারসেবকশিংদা য়াথং পীরবা মতুংদা কুমজা ১৯৯২গী দিসেম্বর ৬তা বাব্রি মসজিদ থুগাইহনখিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না শেমজিন শাজিনবা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা কেস রেজিষ্টর তৌখি। মসজিদ থুগাইখিবা থৌদোক্তা এল কে অদবানিনচিংবা বি জে পিগী মরুওইবা লূচিংবা অমত্তা য়াওখিদে।